The Government of Manipur has already set up a Tourist Home to attract more tourists providing them with food and lodging The devotees always pay homage to Shree Shree Govindajee offering Utsav, Hari Sankritana, Ras Leela etc particularly on the religious/auspicious days The Pangambam Sagei Seva Committee has been trying its level best to render with due respect maximum satisfaction to the devotees and tourists for a long time Valuable suggestions and help for development of this sacred site will be welcomed by the Committee



Shree Shree Govindajee Temple at Kangla (Old)



Shree Shree Govindajee Temple at Palace Compound, Imphal (New)

Reference :-

1) Manipur Itihas, Meitei Puran, Vijay Panchali, Shree Bhagyachandra Charitra (second volume).
Laishram Mangi Singh and
Longjam Mani Singh (1967).

2) Manipur Shree Govinda Nirupan
(Meitei Purangee Wa).
Rajkumar Sanahal Guneshwar (1980).

3) Shamu phaba amasung Shree Govinda Nirupan
(R.K. Sanahal Singh (B.Com.).

4) Cheitharol Kumbaba
Lairenmayum Ibungohal Singh and
Ningthoukhongjam Khelchandra Singh (2005)

5) Shree Shree Govinda Ashram
Pandit Moirangthem Chandra Singh (1942).

6) Lamitlon
Sarangthem Bormani Singh(2003).

7) A Brief story on Kaina
Pangambam Bharat Singh (1994).

8) Manuscripts maintained by
The Pangambam Sagei Seva Committee,
Kaina (1964).

9) Some selected books/journals/seminar papers/ souvenirs on Nata Sankirtana music and dance written and published in Manipur.

Photographs of seven images made from the sacred jack tree of Kaina and other selected photographs.

Sl.No.	Name of images/pictures.	Places of worship
1)	Shree Bijaynath Govindajee (Bijoy Govinda).	Sagolband.

2)	Shree Shree Govindajee	Manipur Palace, Imphal.
3)	Shree Gopinathji	Ningthoukhong.
4)	Shree Nityananda Prabhu (Arambam Nityananda).	Khwai Lamabam Leikai.
5)	Shree Madanmohan	Oinam Thingel
6)	Shree Anuprabhu (Anumahaprabhu).	Nabadwip, Nadia District, West Bengal.
7)	Shree Advaita Prabhu (Langmangdong Abdeita).	Bishnupur.
8)	Photo of Rajarshi Bhagyachandra.	Nabadwip.

9) Photo of Shree Shree Govinda in the dream of Bhagyachandra at Tekhao.

10) Maharas in Shree Shree Govindajee Temple. Imphal.

11) Temple at Kaina. Shree Shree Govinda Janmasthan.

12) A Replica of taming of the mad elephant by Bhagyachandra at Tekhao.

13) New Temple of Shree Shree Govindajee at Palace Compound, Imphal.

14) Old Temple of Shree Shree Govindajee at Kangla.

15) Panoramic view of Govinda Janmasthan, Kaina.



Shree Shree Govindaji and Rasheshwori
Manipur

কাইনাগী অশেংবা থৈবোং পাম্বী

লাইবৈবাক্কুম শুমহৎলবা অমদি ফজববা লমদম অমা ওইরিবা মণিপুর চোঙান-তোঙানবা নাৎ চৎনবী লৈবা কাংলুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরি। লমদম অসি খা এসিয়াগা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগগা মরক্তা মহৌশা খুৎশেম্না পিরিবম্লবা ফাওদোক-ফাওজিন তৌনফম ওইরি। চিংলোন মাপন্না পলোন খাদুনা শেম্না মহৌশা খুৎশেমগা লানবন অমা ওইরিবা মণিপুর চহি ২০০০ রোম মনিংতম্না নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। নিংথৌজা শাগেনা মণিপুরবু ইং কুমজা ৩৩ দগী ১৯ শুবা চহি চাগী অথেংবা শরুক ফাওবা লৈবাক ওইরম্মী। ইতিহাসকী অহোংবা লাকপা মতম অমদা মণিপুরগী মনিং চৎলবা নিংথৌশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মৈদিঙু চিংথংখোম্বা, মীয়াম্না রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র হায়বগা চেন্না খঙনবা নিংথৌ অসি শ্যামজাই খুবাইলাকপা অমদি ইবাংলোং বায়েনবম চিং মরং লোইখোম্নীগী মজা ইবুংঙো ওইনা ইম্ফালগী যাইস্কুল জন্মস্থানদা পোকখি। মহাক্না ইং কুমজা ১৭৫৯ দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি (নিংথৌশিংগী মথং মনাউগী পরিংদা ৫৪ শুবা)।

অদুমওইনমক মহাকপু ইং কুমজা ১৭৬৫ দা বর্ম্মাগী নিংথৌবেন অলংপায়াগী মচানুপা শিনব্যুসিননা মাইথিবা পিখি অমদি মহাক মহাক্কী তুংইনবা খোংলোই খবগা লোয়ননা কছার লৈবাক্তা চেনখি। মহাক্না চেনবগী লম্বীদা লৈবা তমেংলোং জিলা (মণিপুর নোংচুপ)দা লৈবা খেবা চীংদা মহাক্না পনখি অমদি মহাক্কী নিংতম্না মাংখ্রবা লৈবাকপু অমুক হঞ্জিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা মহাক্না নুংপাক অমগী মথক্তা মহৌশাদগী চৎনবক্লবা লানগী কাংলোন তা খৌশাখি। তুংদা মহাক্না তেখাওদা লৈবা অসামগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহগী মনাক্তা চংজফম লৌখি।

মহাক্না মফমদুদা লৈরিঙৈদা, বর্ম্মাগী নিংথৌগা শোক্লবা লান্দা মহাকপু মাইথিহন্নবা শরৌ শিনখিবা মহাক্কী মমাইবেম্মগা পোকমিন্নবা মাম্মা মোইরাংগী

নিংথৌ ৱাযেনবম খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা (খেলেম্বা) না ভাগ্যচন্দ্ৰবু হাৎনবা অসামগী নিংথৌ স্বৰ্গদেব ৰাজেশ্বৰ সিংহদা চিঠী অমা থাখি। ভাগ্যচন্দ্ৰবু শাশিন্নবা মীওইনি খন্দুনা স্বৰ্গদেব ৰাজেশ্বৰ সিংহনা মহাক্কী শামুশিংগী মবক্তগী অশাওবা শামু অমবু তেহন্নবা ভাগ্যচন্দ্ৰদা হাযখি। মসি শামু চাংযেংনি। মদুদা কবিগুম্বা ভাগ্যচন্দ্ৰনা মায পাকপা থোক্লগদি মহাক্না মণিপুৰগী অশেংবা নিংথৌনি হাযনা প্ৰমান তৌগদৌবিবনি।

ভাগ্যচন্দ্ৰ ঈশ্বৰবু থাজজবা নিংথৌ ওইবম্মী। থবক অসিদা থৌজালবিনবা মহাক্না শ্ৰী শ্ৰী গোবিন্দজীদা থৌনিজবম্মী। মহাক্কী মঙলানদা ঈশ্বৰ থোক্লক্কুনা হাযবম্মী, "নিংহন্নগনু ভাগ্যচন্দ্ৰ' ঐহাক্না নংগীদমক অশাওবা শামু তেহনগনি। নহাক্না যেক্লবশিং মাৰ্যথিবা পিদুনা নহাক্কী নিংথৌ খুভম হঞ্জিনবা মতমদা ঐব্ নিংজৌ, ঐহাক কাইনা চীংদা থৈবোং পাম্বী ওইনা হৌবমগনি। ঐভোন্দা পুক্লিং চংনা যেংউ অমদি ঐহাক্কী মুৰ্ত্তি অমা শাউ"। ঈশ্বৰগী শক্তম অসি নীংশিংবা ডম্নবা মঙলান অসি মহাক্কী অচানবা মনাই ৱাঙ্খে অঙোম গোপীবাম পাৎচহনবদা তম্লম্মী।

মীযাম্মা কোইশিন্দুনা লৈবিবা খাজিনবা মফম অদুদা শামু অদুনা ভাগ্যচন্দ্ৰবু উবা মতমদা ঈশ্বৰগী থৌজালনা খঙহৌদনা মনাতোন কোৰ্নাশিল্লগা খুকখুদক কুহ্নখিবম্মী। যেংলিবা মীযাম অমদি অহোমগী নিংথৌনদি শামুদমক উবম্মী। অদুবু ঈশ্বৰ নিংবা ভাগ্যচন্দ্ৰনদি শ্ৰী শ্ৰী গোবিন্দজীগী শক্তমদমক উবম্মী। মহাক্কী মীৎতা ঈশ্বৰগী শক্তম ওইনা উৰিবা শামু অদুদা লৈ পবেং হুক্লবা নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্ৰনা চংশিল্লম্মী। খাজিনবা মফম অদুদা নিংথৌব্ ৱাঙ্খে গোপীবাম পাৎচহনবা অমদি অযেকপা লশমোননা তেংবাংলম্মী।

শামু অদুনা তেথনা হৌগৎলদুনা নিংথৌদা খুকল্লম্মী অমদি হন্দোকখিবম্মী। মদুগী মতুংদা তেখাও হাযবদি অসামগী মীযাম্না নিংথৌবু ঈশ্বৰগী শাইওন্নি হাযনা লৌবম্মী অমদি মহাকপু "জয সিংহ" হাযবা মীংথোল পিদুনা ইকাই খুম্নবা উৎলম্মী। অহোম নিংথৌগী মতেংগা লোযননা ভাগ্যচন্দ্ৰনা ইং কুমজা ১৭৬৮ দা নিংথৌ খুভম অমুক হঞ্জিনলম্মী।

মহাক্না নিংথৌ খুভম অমুক হঞ্জিল্লবা মতমদা মণিপুৰ লৈতানা লৈবা লৈবাক ওইবমদে। নুমিৎ খুদিংগী তৌদবা যাদবা মথৌশিং পাঙথোকপদা ভাগ্যচন্দ্ৰনা

ঈশ্বরগী অপাম্না অদু কাউথোকখিবম্মী। নোংমা অহিং অমদা নিংথৌগী মণ্ডলান্দা ঈশ্বরবু অমুক হন্না উবম্মী। মহাক্কী মণ্ডলান্দুদা ঈশ্বরনা হায়বম্মী, 'চীংথংখোম্বা ও' নহাক্না নুংঙাইরবা মতমসিদদি ঐহাকপু কাউথোকলে। কাইনা চীংদা ঐবু লংথোক্কুনা থম্বীরে। ঐহাক্কি চীংথক অসিদা নোংজু-নুংশা মরক্তা অৱাবা খাংদুনা লৈবি। লাক্কো ঐবু লৌশিল্লবো।" নহানমখৈগা মান্নদ্রবা মণ্ডলান অদুগীদমক মহাক্না থৱাই বাবম্মী। নিংথৌনা অমুক হন্না নীংশিংনবা শ্রী শ্রী গোবিন্দজীনা থবক অসি তৌবা পামখিবনি।

পোইরৌ কৌবা পাৎ অমগী মবিল খৌবাল তুবেলদা তাই। পাৎ অসিগী ঈচেলনা তুবেল অসিগা থেংনবা মফম অসি "পোইরৌ খোংজিল" হায়না কৌই। মুনি হায়নসু কৌবা পাঙম্বম উমানা কাইনা চীংদা ফজববা পোথাফম অমদি হৈকোল অমা শেমগৎলম্মী। মখল কয়াগী হৈ-লৈতনা থন্না হৌববা মফম অদু যাম্না পুক্লিং হুববা মফম ওইবম্মী। মফম অদুদা মহাক্না থৈবোং অমদগী মক লৌদুনা থৈবোং পাম্বী অনিখক থাবম্মী হায়না হায়। মহাক্কী কাইনাদা লৈবা হৈকোলদা শকখণ্ডবা মশক ফজবা নুপামচা অমনা মহাক চাক লাপ্লে চানবা পিবিয়ু হায়না হায়জবা মতমদা অহল ওইববী চীংমী লুখ্রাবী অমনা নুপামচাদুদা চানবা হেক হেক পী হায়না পাঙম্বম উমানা সনা কোনুংদা লাক্কুনা নোংমা নিংথৌদা পাউদম্লম্মী। নুপী অদুনা নুপামচা অদু কনানো অমদি কদাইদগী লাকপনো হায়বদুদি খঙলমদে। নুপী অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন হংবদগী নুপামচা অদুনা মহাক্কী অশেংবা মশক অদু নোংমদি উৎথোক্লম্মী। নিংথৌনা মহাক্কী মণ্ডলান অমদি উমাগী পাউ অদুদা চঙক্লনা লৈবিরৈদা মহাক্কী মতোন ইবুংঙো অনন্টশাই, গুরু অমুবা, গুরু পরামানন্দ ঠাকুব, অঙোম গোপীবাম, লাংগোল লুখোই, নম্বোল থোংহি মাইবা, শামুরৌ চীংগোং, খুম্বোং চন্দ্রমনিনচিংবনা লাক্কুনা নিংথৌদা মহাক্না লুচিংবা কাংবু অমা ইম্ফাল যাইবিপোক লম্বীদা ইম্ফালদগী কিলোমিটব ২৫ চৎলগা লৈবা কাইনা চীংদা সনা খোংলেংবিনবা হঙ্গৎচবম্মী। নিংথৌগী যাথং মতুংইন্না মীওই ১০ গা লোয়ননা উমা সিংহনা লুখ্রাবী অদুগী মযুমদা চৎলম্মী। শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী থৌজাল ফংলবী লুখ্রাবী অদু উবদা মখোয় অঙকপা পোক্লম্মী। নিংথৌনা হায়বকপগী মতুংইন্না মীওই ১০ অদুনা লুখ্রাবী অদুবু সনা কোনুংদা লাক্লবা হায়বম্মী। অদুম ওইনমক, মহাক্কী হকচাংগী

ফিভম্না নিংথৌগী যাথং অদু ইনবা ঙম্লোই হাযনা লুপ্তাবী অদুনা মখোযদা তম্লম্মী। উপাই লৈত্রবা উমা অমদি মীওই ১০ অদু সনা কোনুংদা হল্লক্লুনা পাউ অসি নিংথৌদা হঙ্গৎচবম্মী। যাম্না মুন্না খল্লবগী তুংদা নিংথৌনা মীওই ৫০ দা যাথং পিবম্মী, "মহাকপু দোলাইদা হাপ্লুনা পুবকউ, ত্রৈবতবু উমা সিংহ মসি নীংশিংঙু, মহাক নুপীনিনা মঙোন্দা কিহন খোৎহনবদি তৌকনু।" নিংথৌগী যাথং মতুংইন্না মহাকপু দোলাইদা পুবক্লম্মী। মহাক্না সনা কোনুংদা যৌবকপা মতমদা পাখৎপনা মশা অদু থক থক নিক্লম্মী। নিংথৌনা মহাকপু পাখৎতনবা হাযবম্মী অমদি মহাক্না খংবা পাম্লীবদি লুখ্রাবী অদুনা নুমিৎ খুদিংগী চানবা পিবিবা অঙাং অদু কনানো হাযবা অসিগুম্তনি হাযবম্মী। নুপী অদুনা কপ্লি কপ্লি হাযবম্মী– লাইবক থিববা ঐহাক্কী লাইববা ইগা নুপা অনিগা মপা মখোযনা যাম্না মঙাং ওইহবিদুদা লৈখিদ্রে। ঐহাক্তি লাইনবী অমদি কনা লৈজদ্রবী ওইরকবনা ঐহাক্না মখোয অনিবু মতিক পানা পিজ পিখৎ ... মযি মখোখোনবা অমদি লৈফম মতিক চানা পিনা তমাখদে।

মখোযনা চাওবক্লবা মতমদা ঐহাক্কী নংশিববা ইচাশিংনা ঐঙোন্দা হাযবম্মী মদুদি মফমসিদা থাকলৌ উদুনা লাইববা ইমং অদগী শেংলোক হেংগৎহনবা মখোযনা পাম্মী অমদি মখোযগী চানবা লৌফমদদা পুবক্লবা হাযজবম্মী। বযেদ ঐনা যাবম্মী। মথংগী নুমিৎকী অওনবা অযক্তা ঐহাক্কী ইচানুপা অনিনা থবক শুবা চৎখিবম্মী। ঐহাক্না মখোযগী চানবা পুবদনা মখোযগী থবক শুযম লৌবুক চৎলম্মী। অদবু অওকপদি ঐহাক্না চৎলিঙৈগী লম্বীদা নুপামা। অমনা ঐঙোন্দা ... শিল্লদুনা হংলম্মী, "ইমা! ইমা! ঐঙোন্দা চানবা খবা পিবিযু, ঐহাক নুমিৎ কয়াম চবা তেল্লকপনা ঐহাক যাম্না লাম্লে। ঐবু নহাক্কা নানাক্ত হাযনা খনবিযু।"

মহাক্কী মতৌদুদা ঐহাক্কী পুক্লিং ওনদ্রে অমদি ঐঙোন্দা মহাকপু নুংশিবগী বাখল যাওবক্লম্মী, অদুবু ঐহাক্না নিংবা কাইনা হাযবম্মী "ঐহাক্না নঙোন্দা কমদৌনা চানবা পিগদৌবিবনো, নহাক্না মৈতৈনি অমদি ঐনা চীংমীনি।" মহাক্কী উপাই লৈজদবদু যেংবা ঙমদ্রদুনা ঐনা মঙোন্দা চানবা পিবম্মী। অঙাং অদু যাম্না হবাওবম্মী। ঐহাক্না পোকচবা ইচা অনিদা থম্লিবা নুংশিবদুদগী মাবু নুংশিবনা হেল্লম্মী। মনম অসিনা ঐনা মঙোন্দা নোংমা নোংমগী চানবা পীবম্মী। মহাক্না লোইনবু চাববসু নত্রগা চাদ্রবসু মতম পুম্বদা মহাক হবাওদুনা জগোই

শাবন্মী। মহাক যেংবদা যান্না পুক্লিং হুনা ফজবন্মী। নুপী অদুনা ৱানা হিক হিক কপ্পনা হেনমনগ্রদুনা অসুম্না হাযববা মতুং মহাক্কী ৱাবী অদু লেপখিবন্মী। মহারাজা ভাগ্যচন্দ্রসু শ্রী শ্রী গোবিন্দজীবু হবাওনা নীংশিংবগী ইথিল অমা ফাওবক্লন্মী।

নিংথৌনা নুপামচা অদু কনানো হাযনা নুপী অদুদা হংলন্মী। মহাক্না খুল্লন্মী মদুদি কুইববা মতমগী মমাংদগী নুপা মচা অদুনা মণিপুরগী মহারাজা ভাগ্যচন্দ্রবু ঙাইদুনা লাক্লি। নুপামচা অদুনা শাববা নুংশাগী মৈশা অমদি কল্লবা নোংজুগী অৱাবা খংখিদে। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগীদমক নুপামচা অদুনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম থাদোক্লমখি। "মহাক্না তেখাওদা লৈবিডেদা ঐহাক্না নিংথৌগী পুন্সি কনখি, অদুবু মহাক্না শাফববা মতমদা ঐহাকপু পুমকাও কাওথোক্লে", নুপামচা অদুনা অসুম্না হায হাযনা নুপী অদুনা মখা তানা পাউদম্লন্মী। নুপামচা অদুনা মহাক্কী অশেংবা মমা মপাগী মমিংসু হাযরগুম তৌই, ঐহাক্না চপ চানা নীংশিংবা থোক্লে। "ওত্থোকপনি ইমা ও!" নিংথৌনা মবক থৎলদুনা হাযবন্মী, "ঐভোন্দা নুপামচা অদুগী মমিং তাকাপযু, মহাকপু ঐনা খুকমজবা ফংহনবিযু।"

নুপা — "ঐহাক্না নুপামচা অদুগী মমিং তাক্লোই, মবর্মদি মহাক্না ঐভোন্দা তাকথোক্কনু হাযনা হায।"

বর মন্ত্রী অনৌশাই

"নহাক্না নঙক যাম্না কল্লগদি, নিংথৌনা নহাকপু তৌগদা চমগনি ।"

নুপা — "নখোযগী অপাম্বদু তৌ, অদুবু ঐনা হিংলিবমখিদি তাকথোক্লোই।"

নিংথৌ · "নুপামচা অদুগী শাওং-শাদা অদু ঐভোন্দা তম্মু।"

নুপী . "কুচুনা বাংদেনখোইবা মপালগুন্মী, খুৎতনা ঝাল পায, কোক্তা বাহোং মতুনা লৈতেংই, খোংজি, পাম্বোম ফাবী, সনা মচুগী ফিজোল শেৎলি অমদি পুম্নমক্তগী অথোইবা গুন্না যোন্মী।"

নিংথৌ "ঐঙোন্দা মহাক্কী মমিং তাকউ, অদু ওইববদি ঐনা নঙোন্দা সনা-লুপা যাম্না পিগনি।"

নুপী "ঐহাক্না মাগী মমিং তাকথোক্লবদি ঐহাক মাবু অমুক হন্না উবা ফংলবোই। ঐহাক মতম অমদা হাতে হাতে তান্দুনা হিংলম্মী, অদুবু ঙসিদি নুপামচা অদুগী থৌজালনা ঐহাক নুংঙাই যাইফবা হাযবদু ওইবে।"

নিংথৌনা নুপী অদুগী ফিবেপ অদু খংলদুনা, সনা কোনুংদা তিল্লিবা অঙম অথৌ পুম্নমকপু মপান থোকখিনবা ঈঙ্গিৎ তৌবম্মী। তুংদা নিংথৌনা নুপী অদুদা খুকুম্লম্মী অমদি নুপামচা অদুগী মমিং তাকথোক্লবা হাযজবম্মী।

নুপী অদুনা খাংবা ঙম্লক্লদুনা নিংথৌদা নুপামচা অদুগী মমিং তাকথোক্লম্মী। "মণিপুবগী নিংথৌ ও! নঙোন্দা ঐহাক্কী পুক্নিং কৎথোকচবগে। অঙাং অদুগা মমাগী মিংনা যশোদা কৌই, মহাকপু মহাক্কী মমানা নুংশিনা 'কন্হাই' হাযনা কৌই, ব্রজমন্দোলশিংনা নিলমনি, শ্রী গোবিন্দ, গোলোকনাথ, গোপীনাথ, মদনমোহন কন্হৈয়া অসিনচিংবা, গোপীশিংনদি মহাকপু গোপাল হাযনা কৌই"
মদু তাবদা খঙহৌদনা নিংথৌ ৱাক্তখিবম্মী।

তুংদা মহাক জ্ঞান তাবরক্লম্মী অমদি কপ্লম্মী। থৈবোং পাম্বী (অর্টোকার্পস হেটেরোফাইলস্) কী শাইওন লৌদুনা শ্রী শ্রী গোবিন্দজীনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু ঙাইদুনা লৈবক্লি। নিংথৌনা ঈশ্বরগী অপাম্বা নীংশিংলম্মী। অমদি নুপামচাদু ঈশ্বরমক্কী শক্তম্নি হায়না চপ চানা লৌবম্মী। মহাক্কী পুক্নিং যাম্না মথুম মবাং হৌবম্মী অমদি ঈশ্বরগী অপাম্বা কাউথোক্লবগী নিংঙমদবা পোক্লম্মী।

মহাক্না মমাংঙৈ তেখাওদা লৈবিঙৈদা ঈশ্বর (গোবিন্দ) না মহাক্কী মঙলান্দা লাকখিবা অমদি কাইনা চীংদা মহাক থৈবোং পাম্বী ওইনা হৌবমগনি হাযবা অমদি মদুদগী মহাক্কী মুর্ত্তি শাদুনা মহাকপু লাৎনবা হাযবম্বশিংদু ভাগ্যচন্দ্রনা হৌজিক নীংশিংলক্লে। নিংথৌনা মহাক্কী মনাইশিং গোপীরাম, খুম্বোং চন্দ্রমনি অমদি অতৈ মনাইশিংদা থৈবোং পাম্বীগী মবমদা হাযবা মতমদা অমদি গুরু

পবামানন্দ ঠাকুব, ভাস্কব ঠাকুব, মতোন ইবুঙো অনন্টশাই অমদি অতৈশিংদা উ পাম্বী অদু থিরুনবা চৎলমদাইদা পাওস্বম উমানা মহাক্কী হৈকোলদা হৌবিবা উ পাম্বী অদুগী মবমদা মখোযদা তন্নম্মী। উ পাম্বী অদু মতৌ কবম্না যানশিংগে হাযবগী মতাংদা নিংথৌনা মহাক্কী পণ্ডিতশিংগা ৱা ভান্নবম্মী। পুজা তৌববা মতুংদা উ পাম্বী অদু যানবা হাযনা ৱাবেপ্পবম্মী।

খুম্বোং চন্দ্রমনিনা উ অদু যান্নবগী অশেংবা পুংফম অমা পাওবম উমা সিংহদা পীবম্মী। মতম'দুদা পণ্ডিত লাঙ্গোল লুখোই অমসুং থোংহি মাইবদি যাওখিদে। ঈশ্ববদা থৌনিজববগী তুংদা, উ-যানবদুনা উ অদুদা শিংজংনা যাল্লম্মী। উ অদুদগী ঈ থোবকপা উবদা মীপুম খুদিংমক অঙকপা পোক্লবম্মী। উমা সিংহনা খুদক্তা উ যানবদু লেপ্লম্মী। থৌদোক অদুগী বার্তা অদু মহাক্কা গুরুশিং, ব্রাহ্মণশিং অমদি সনা কোনুংগী অঙম অথৌশিংদা লীবম্মী। মখোযনসু (অঙম-অথৌশিংদুনা) অঙকপগা লোযননা বাফমশিং অসি নিংথৌদা পাউদমজখি। নিংথৌনা লাঙ্গোল লুখোযবু খুদক্তা কৌরুনবা মী থাখিবম্মী। মতম অদুদা লুখোযদি পাখংবগী সুকুংদা লাইগী থৌবম পাংথোক্তুনা লৈবম্মী অমদি নিংথৌনা মঙোন্দা ঈ থোকপগী মবম হংলম্মী।

থৈবোঙ পাম্বী অদু ইবুধৌ (পাখংবা) গী খুদমনি অদুনা নিংথৌনা মহাক্কী কোযেৎতগী ফি মচেৎ অমনা অশোকপা মফম অদুদা পুন্সিন্দুনা ভাকপীযু হাযনা হাযজৌ হাযনা লুখোযনা নিংথৌদা হঙ্গৎচখি।

নিংথৌনা মহাক্কা লংজখিবা অবানবা থবক থৌওং অদুগীদমক তাইবং মপুদা ভাকপীযু হাযনা হাযজববা কান্দা উ অদুদগী থোল্লম্বা ঈ অদু থককখিবম্মী। লাঙ্গোল লুখোই, গুরু পবামানন্দনচিংবদা মখা কবি তৌগদগে হাযবদু ভাকপীযু হাযনা নিংথৌনা হংলম্মী। লুখোযনা নিংথৌদা উ অদু মক-ফুক্কদবনি হাযনা হঙ্গৎচবম্মী অমদি মদুমক পাংথোক্লম্মী। উ অদু অঙথা চীংগী চিংমাইবোমদা লিশমলোক লোমদা পুবক্লম্মী অমদি মদুগী তুংদা, কোইবিতা/খোইবপোক ফাওদুনা পুবক্লম্মী। খোইবপোক লাম্বোক্লবা তুংদা, মখোযনা ভাইহাক পোথানবগীদমক উ অদু লৈবাক্তা থল্লম্মী অমদি নিংথৌ অমসুং মহাক্কী অঙম-

অথৌশিং পুন্না উ অদু ইবিল তুবেল ফাওদুনা পুননবা ৱা শন্নবম্মী। বা শন্নখিবা মফম অদুবু শন্নবোক হাযনা খঙনখ্রে। সন্দ্রোক ফাওদুনা অমদি চাংগী নাপোম লান্না লংদুম ত্রোংলাউবীদা উ অদু পুবরক্লম্মী।

উ অদু ইবিল তুবেলগী মাবিলদা লাংথবাল ফাওবা পুনবগী বারেপনখি। ত্রোংলাউবীদা উ অদু তুবেলদা থাদ্দুনা তাওথহনখি।

সনা কোনুংগী অঙম অথৌশিং অমদি প্রজা মীযাম্না উ অদু ইবিল তুবেলদা লাংথবাল ফাওবা পুনবা শেম শাবিগ্রেদা নিংথৌদি লাংথবালদা উ অদু থম্মনা মফম অমা শেম-শাকুনবগীদমক মাংজৌননা শগোল তোংদুনা মফম অদু থাদোক্কুনা লাংথবালগীদমক সনা খোংলেংখ্রে। নিংথৌনা মফম অদু থাদোকখ্রবা তুংদা, উ অদু ফুনাল চাংগী চীংখোংদা লৈবা নাওখল ঈবেল কৌবা মফম অদদা লুপথখিবম্মী।

উ অদুনা নাওখল ঈবেলদা লুপথখিবা মতম অদুদা মীযাম 'পুন্না থবাই বানবম্মী। ইনিংথৌদি খোংলেখ্রবনিনা কবম্না মঙোন্দা পাউ পাগনি। মখোযনা থৌশাদবদগী অমদি চেকশিন্দবদগী অশুম্না খোকখিবনি হাযনা খল্লদুনা মখোযনা উ অদুবু থৌবি অমনা লাকশিল্লগা মথক্তো চিংশংনবা বা শন্নবম্মী।

ইরোইবা তৈবা মীওই অনিদা উ অদু থৌবিনা কিকুনবা পুল্লনবা হাযখি অদুবু মখোযনা থবক অদু পাংথোকপা ঙমখিদে অমদি বাফম অসিমক সনা কোনুংগী অঙম-অথৌশিংদা খঙহনখিবম্মী। মখোযনা উ অদু থৌবিনা পুনবা ঙমদবগী ৱাফম অদু লাঙ্গোল লুখোই, থোংচি মাইবা অমসুং গুরু ভাস্করদা খঙহনখিবম্মী। মখোযনা খেনচাং (ঈশ্বরদা থৌনিজবগী থবক অমা) পাংথোকপা মতমদা উ অদু অচম্বা উ নত্তে, ঈশ্বরগী শক্তোন পুবা উনি হাযনা মখোযনা লৌবম্মী। বাবী-বাখোং 'পুন্না নিংথৌদা পাউদমখি অমদি নিংথৌনা থরাই ৱানা খুৎলৈ থুনা মফম অদুদা অমুক হন্না খোংলেংলকখি।

ঈশ্বরগী মফমদা কৎফম থোকপা পুজা কৎনবা সনা-কোনুংগী পণ্ডিতশিংনা নিংথৌদা হঙ্গৎচবগী মতুংইন্না গুরু ভাস্কর অমসুং লাঙ্গোল লুখোইনা মখোয মখোয়গী তৈজবা মওংদা পুজাশিং কৎনখি, মমৈদদি উ অদু ঈশিং মনুংদগী

অমুকহন্না তাওখৎলকাখি। মতমদুদা পুং ঝান অমদি মোইবুং খোংদুনা আটি কৎখি। উ অদুনা লুপখিবা মফম অদুবুনা 'উকপ' অদুগা আটি কৎখিবা মফম অদুবুনা আটি (হৌজিক্তা অবাপটি হায়না খঙনববা) কৌই।

উ অদুনা ইবিল ভুবেলদা তাওদুনা লাকপনা ইম্ফাল অমসুং ইবিল ভুবেল অনিগী ইতিন্নফম লিলোং হৌবকখি অমসুং মখা তানা ইম্ফাল ভুবেলগী অবিবা মবিল (হৌজিক্তা লৈশাং হিদেন হায়না কৌনববা) দা তাওথবক্তুনা লাংথবাল ফাওবা হৌবকখি। মফম অদুদগী উ অদু লাংথবাল (কাঞ্চিপুর) চিংথক্তা চিংখৎখি।

উ অদু অশেংবা মফমদা শাবা খাংপোকশঙ অমগা মনুংদা থমখি। সনা কোনুংগী অঙম অহৌশিং লাংথবালদা পন্দুনা লৈথহৌবশিংদুনা উ অদুদা রুপ থাউমৈগা লোয়ননা আটি কৎখি, মতমদুদা মতাবাজদি লমাংদোংদা লৈবা মাগী সনা সঙ্গাইদা খোংলেংস্ত্র।

ইং কুমজা ১৭৭৫ গী লমদাগী ২২ নি পানবা যুমশকৈশ নুমিত্তগীনা ইং কুমজা ১৭৭৬ কী হিযাংঙ্গেগা ১২ নি পানবা ইবাই নুমিৎ ফাওবা চাওবাক্তা থা ৮ লোমগী মতম উ অদু কংহন্নবগীদমক লাংথবালদা থমখি। নিংথৌগী মনাইশিংনা উ অদু মপুং ফানা কংলে, মুর্ত্তি শাবগী থবক হৌবা যাবগনি হায়বদগী নিংথৌনা অঙোম গোপিবামদা শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী মুর্ত্তি শাবা হৌনবা যাথং পীখি।

অঙোম গোপিবামনা মুর্ত্তি শাবগী থবক অদু খুৎহৈবা লাইশাবা শাপম লোখোন্দা শিন্নখি। পুজা অমা কৎচববা তুংদা মহাক্তা মাগী খুৎলাই অদুনা উকক অদুদা থাবা মতমদা মৈবিক থোবকখি। মহাক্তা অনিশুবা উকক অদুদা মাগী খুৎলাই থাদুনা মুর্ত্তি অমা শাবা লোইশিনখি। নিংথৌনা মুর্ত্তি অদু যেংবদা মহাক্তা মহাক্কী মঙলান্দা উখিবা ঈশ্বরগী শকফম অদুগা থবখিৎ মানবা ব্রাৎখি অমদি সনা পুক্লিং পেনখিদে।

অতোপ্পা মুর্ত্তি অমা শাবে, হন্দক্কীসিমদি নিংথৌগী সনা পুক্লিংনা পেল্লম্মী। ইং কুমজা ১৭৭৯ গী হিযাঙ্গৈগী ১১ নি পানবা ইবাই নুমিত্তা

শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী মুর্ত্তি অদু লাংথবালগী কোনুংদা লাৎপা হৌদোক্লুনা নিংথৌ মশামক্না ঈশ্বরসিগী সেবা চৎচখি।

গোবিন্দজীগী মুর্ত্তি অসিগী অৱাংবসি ফুট ৩ গা ইঞ্চি ১০ নি। মুর্ত্তি অসি শাবা হৌখিবা নুমিৎনা ইং কুমজা ১৭৭৬ কী হিযাঙ্গৈগী ১২ নি পানবা ইবাই নুমিত্তনি অমসুং মুর্ত্তি অসিবু লাৎপা হৌদোকখিবা নুমিৎনা ইং কুমজা ১৭৭৯ গী হিযাঙ্গৈগী ১১ নি পানবা ইবাই নুমিত্তনি। অসুন্না, মুর্ত্তি অসি শাবদা চহি ৩ চংখি। শ্রী বিজয়নাথ গোবিন্দজীগী মুর্ত্তি অসি নিংথৌনা পামজবা অদুমকাত যৌখিদবা অহানবা শাখিবা মুর্ত্তি অদুনি। মুর্ত্তি অসি নিংথৌগী মতোন ইবুঙো অনন্টসাইনা লাৎপা পামজবম্মী। নিংথৌগী যাথং লৌজবগা মুর্ত্তি অসি সনা-কোনুংগী হৌনবী সভাযত্রা অমগা লোযননা শগোবন্দদা লৈবা অনন্টসাইগী শঙ্গাইদা পৃদুনা মফমদুদা শাবিবা লাইশংদুদা মুর্ত্তি অসি লাৎখি।

শ্রী গোপিনাথজীগী মুর্ত্তি লাৎপা হৌখিবা নুমিৎসি ইং কুমজা ১৭৮১ গী মেবাগা ৮ নি পানবা গোষ্ঠ অষ্টমি নুমিত্তা পাংথোকখি হায়না নিংথৌখোংগা সেভাযেট কম্মিটিগী সেক্রেটরী কালাবাজা জিলাশ্না অমসুং রাজকুমার ম্নাতোম্বানা পাউদমলকখি। নুমিৎ অদুদা নিংথৌগী তালৌই কেসাবিনা পোকচবা মজাইবুঙো শ্রী কির্টিধ্বজদা লাই অসি নিংথৌখোংদা লাৎতুনা সেবা চৎনবা শিন্না শিন্নখি। কালাবাজা কির্ত্তিধ্বজগী চাবোল শবোলশিংনা ঙসি ফাওবদা লাই অসিগী সেভাযেটশিং ওইরি।

শ্রীনিত্যানন্দ প্রভু/অবাস্থম নিত্যানন্দ অসি উ অদুগী মরিশুবা উককনা শাখিবনি হায়না হায। শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুগী মুর্ত্তি অসি ইং কুমজা ১৭৯৪ গী লমতাগী পুর্ণিমা শগোলশেন (শকাব্দ ১৭১৬ থোকচোম কোইবনা চৈথাবা কুম) নুমিত্তগী শাবা হৌখি। সাপম লোখোন সিংহ, খুৎহৈবা অসিনা থা ১০ চংনা শাখিবনি। অভিসেক /জিবন্যাস ইং কুমজা ১৭৯৫ গী রাকচিংগী ১৩ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাংথোকখি অমদি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজানা শ্রী গোবিন্দজী অমসুং শ্রী নিত্যানন্দ অনিমক লাত্তুনা সেবা চৎচখি। ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা প্রেমাবতিনা অবাস্থম তাম্রধ্বজদা লুহোংলবা কান্দা, মজাইবেম্মনা মহাক্কী মপুবোইবা অমদি মহাক্না শ্রী নিত্যানন্দবু মপুবোইবগী যুম খ্বাই লমাবম

লৈকাইদা লাক্তুনা সেবা চৎচগে হায়না মপাইবুংঙোদা হঙ্গৎচখি। নিংথৌনা যাবিবদগী লাই অসি খাই লমাবম লৈকাইদা পুখি অমদি লাই অসি হৌজিকফাওবা অবাম্বমগী ইমুং মনুংনা লাৎচদুনা সেবা চৎচবি।

শ্রী মদনমোহনগী মূর্ত্তি অসি শ্রী বিজয়নাথগী মতুংদা শাবা মঙাশুবা মূর্ত্তিনি। মঙাইবুংঙো শ্রীলাবন্যচন্দ্রনা হায়জবদগী নিংথৌনা শ্রী মদনমোহনবু মজাইবুংঙোনা লাৎচবা যাথনাখি। হৌজিক হৌজিক মূর্ত্তি অসি ওইনাম থিংঙেলদা লাৎলি। ইম্ফাল যাইবিপোক লম্বীগী কোংবা হঙোইচুডা অমসুং উবিপোক পঙ্গায় মনিংদা হৌজিক লাৎলিবা মদনমোহনগী মূর্ত্তিশিং অসি কাইনাগী থৈবোং পাম্বা অদুদগী শাখিবা অশেংবা মূর্ত্তিশিংনি হায়না হায়নৈ, বাফম অসি ইতিহাসকারশিংনা মপুং ফানা থিজিন্দুনা অশেংবা অমা খংদোকপগী মথৌ তায়।

শ্রী অনুপ্রভু/অনুমহাপ্রভু অসি কাইনাগী থৈবোং পাম্বা অদুদগী শাখবা এককশুবা মূর্ত্তিনি। অনুপ্রভু শাখবগী অশেংবা নুমিৎ অমদি চাহি হৌজিক ফাওবা খঙনদ্রি। অদুমওইনমক, লাই অসিগী ডিবন্যাস/অভিষেক ইং কুমজা ১৭৯৪ (শকাব্দ ১৭১৬ থোকচোম কোইবনা ইথানা কুম) গী যাইবেনগী পাংদমা নুমিৎকী অযুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাংথোকখি। শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী সেবাগীদমক মপান্স কথোকখ্রবা মজাইবেম্মা বিম্বাবতি (সিজলাইওংবী)না মপুংফানা সেবা চৎপা ঙমখিদে অমদি লাই অসিনা মহাকপু বেষ্ট বেঙ্গলগী নদিয়াদা লৈবা নবদ্বিপতা লাক্তুনা সেবা চৎচৌ হায়না মজাইবেম্মদা তাকপাবম্মী হায়না থাজনৈ। বিম্বাবতিনা মহাক্কী নিংজবদু মাগী মপাবুং নিংথৌদা হায়জাখি। নিংথৌনা সাপম লোখোন অমসুং গোপিবাম আনদা অনুপ্রভুগী মূর্ত্তি শানবা যাথং পীখি।

সনা কোনুংদা মতম খরদি অনুপ্রভু অসি লাৎলম্মী অদুবু ইং কুমজা ১৭৯৮ গী ফাইবেনগী ২০ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মূর্ত্তি অসিনে, মজাইবেম্মা বিম্বাবতি অমসুং ঈশৈ শকপা কাংবু অমগা লোয়নননা ভাগ্যচন্দ্রনা নবদ্বিপকীদমক সনা খোংলেংখি। অহানবদদি, অনুপ্রভু অসি নবদ্বিপাচন্দ্রগা লোয়নননা মালঙ্গপদাদা পুন্না লাৎমান্নবম্মী। নিংথৌ অমসুং মজাইবুংঙো

চৌবজিৎনা নবদ্বিপতা লৈবা বামদাস বাবাজি কৌবা মীওই অমগী মতেংগা লোযননা মফম অদুদা লাইশঙ অমা শানবা মফম থিবম্মী অমদি হৌজিক লৈবিবা মফম অসি কৃষ্ণনগবগী নিংথৌ বাজা গিবিসচন্দ্র অমসুং দেশবন্ধু চিত্তবঞ্জন দাসকী মচে ইবেম্মা শ্রীমতি অমলা দেবীনা দান তৌখিবনি হায়না হায়নৈ। মজাইবেম্মা বিম্বাবতি অমসুং মহাক্কী মনাইশিংনা লাই অসিগী শেবা চৎলম্মী অদুবু মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদদি চৌবাজিৎ মহাবাজগী চাদা নাওদাশিংনা লাই অসিগী সেবা চৎলক্লি।

শ্রী অদ্বৈত নত্রগা লমাংদোং অদ্বৈত হায়না মীয়াম্না নুংশিনা কৌননিবা লাই অসিগী মুর্ত্তি অসি কাইনাগী থৈবোং পাম্বী অদুগী মক্কদগী শাঁথবা ৫ শুবা মুর্ত্তিনি। লাই অসিগী মবমদা সনা-পুযা "কৈথাবোল কুম্বানা" দা অসুম্না হায় মদুদি শকাব্দ ১৭১৪ অকোইজম খোংজোম্বনা কৈথাবা কুম লমতাগী ৭ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ আস অদ্বৈতগী জিবনদাস (থবাই হাপ্পা), কা থৌবম পাংথোকখি। মসি ইং কুমজা ১৭৯০ দনি। পুযা অসিগা মতুংইন্নদি অদ্বৈতগী মুর্ত্তি অসি অনুপ্রভুগীদগী চতি আনা ভনখৎনা শানিবা মুর্ত্তিনি হায়নৈ। অতোপ্পা বানী লিখুন, মণিপুব ইতিহাস, বিচক পঞ্চালি কৌবা অমগী মতুংইন্নদি নবদ্বিপ অমসুং বৃন্দাবনগীদমক সনা থৌগলগা লোযননা ভাগ্যচন্দ্রনা তীর্থ চৎপগী লম্বীদা নিংথৌনা লমাংদোংদা লমদলখি হায়না পল্লম্মী। অহিংদা মহাক্কী মঙলান্দা অদ্বৈত উবম্মী অমসুং হায়বম্মী "ঐগা উগী মউদগীদি নহাক্না মুর্ত্তি কযা শাথ্র অদুবু উবা দি নহাক্না খঙহৌবিদনা লাংথবান্দা ভুন্দাতুনা থম্মানে। উকসিদগী ঐগী মুর্ত্তি অমা শাবা অমসুং নিরুপন হান্না তৌখো নত্রবদি নহাক বৃন্দাবন চৎপা যাথবোই" মথাংগী নুমিৎতা নিংথৌনা মহাক্কী মনাইশিং খাদুনা উক অদু পুবকহনখি অমদি মুং হৈবা সাপম লোখোনদা অদ্বৈতগী মুর্ত্তি অমা শানবা যাথং পীখি অমদি মদু মফম অদুদা লাংখি।

লমাংদোংদা অদ্বৈত নিরুপন তৌববা তংদা নিংথৌনা নুমিৎ খবা মফম অদুদা লৈবম্মী অমদি মজাইবেম্মা জগেশ্বরীবু গুরুময়ুম ধনেশ্বর শর্ম্মা কৌবা ব্রাহ্মণ ভক্ত অমদা পাংবম্মী অদুগা, মতুংদা লাই অদু লাতুনা সেবা চৎনবগা শিংগা পুম্বা শিন্নবম্মী।

বিষ্ণুপুব কৈথেল মনাক্তা হৌজিক হৌজিক লৈবিবা অদ্বৈতগী লাইশঙ অসি চাওবাক্লা চহি চামবোম শুবে। মসিগী মমাংদা, লাই অসিগী লাইশঙ অসি লমাংদোংগী অবিবা কোনুং লৈবিবা মফম অসিগী চীংথক্তা লৈবম্মী হায়না হৌজিক হৌজিক সেবা চৎলিবা ব্রাহ্মণ গুরুময়ুম বিশ্বনাথ শর্ম্মা অমসুং লৈকাই অদুগী অতৈ ব্রাহ্মণশিংনা পাউদমলকখি। মফম অদু ঙসিদি সিঃ আইঃ কলেজগী লম মনুংদা লৈব্রে।

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা কাইনা চীংদগী থৈবোং পাম্বী পুবকখিবা, উ অদুদগী মূর্ত্তি ৭ পুথোকখিবা, মূর্ত্তিশিং অদুবু লাৎচবা ফংজখিবা পুম্নমক মহাক্লা নীর্ণশংজবকখিবগা লোয়ননা মমৈথংদদি মশামক্কী পূন্সি শ্রী শ্রী গোবিন্দজিগী চবন্দা কৎথোকখি। ধর্ম্ম চেল্লবা বৈষ্ণব নিংথৌ অসিবু গুরু পরামানন্দ ঠাকুরনা দিক্ষা পীবিখি। মহাক্লা নূর্ণশিনা লাৎচবম্বা লাইশিং অদু ঙসিদি মহাক্কী চাদা [illegible] অমদি [illegible] মবি মতাশিংনা লাৎচৌদুনা সেবা চৎলি।

[illegible] লৈবিবা শ্রীব শিবদন অমসুং কৈশামপাঙা লৈবিবা শ্রী [illegible] মূর্ত্তিশিং অসিসু কাইনাগী থৈবোং পাম্বী অদুগী মশাকশিংদগী [illegible] হায়বনি।

[illegible] ১৮ শুবদা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র মুর্শিদাবাদতা গঙ্গা [illegible] ১৭৯৮ [illegible] অক্টোবর ২২ [illegible]। [illegible] অসিনা কৃষ্ণ সঙ্কীর্ত্তন, [illegible] অমদি লৈবাক [illegible] শ্রী শ্রী [illegible] অসিগী [illegible] লৈতৗবগদবা [illegible]।

মালেম অসিদা লৈবিবা মায়াম [illegible] মণিপুরগী মায়াম্বা শ্রী শ্রী গোবিন্দজী ([illegible]) গী [illegible] পুথোকখিবা কাইনাগী থৈবোং পাম্বী অসি [illegible]। [illegible] সেবা কমিটি, কাইনাগী লাইশঙ, [illegible] অমদি [illegible] কাইনাগী [illegible] গোবিন্দ [illegible] অসিগী [illegible]। [illegible] গোবিন্দজী

অযেকপা শক্তম অমা লাত্তুনা সেবা চথবি। কাইনাদা গোবিন্দ লাৎচদুনা শেবা চৎনবগী শিক্তা অসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পাঙম্বম শাগৈদা শিন্নবম্বনি হায়না হায়। মখোয়না লাই অসিবু থরাই যাওনা অমদি নোল্লুক্না সেবা চৎচবিবমখে চাওখৎপা ওইগনি অদুগা মখোয়না সেবাদা থওইবক্ত্রুবা মতমদদি শাগৈ মুৎকনি হায়না নিংথৌনা মখা তানা তাকপীখিবগা লোয়ননা রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্রনা পাঙম্বম শাগৈবু লাল্লুপকী শিক্তাদগী কোকপীখি।


কাইনাগী অশেংবা থৈবোং পান্থী হৌবম্বা মফম অসি মণিপুর সরকারনা ইং কুমজা ১৯৯২ গী জুলাই ১০ দা থোকখিবা হুকুম নম্বর ডি সি (১)৮/১২/বিভেন্যু/৮০ (পার্ট) অসিগী মতুং ইন্না ডি মণিপুর এন্সিয়েন্ট এণ্ড হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস এণ্ড অর্কিয়োলোজিকেল সাইটস এণ্ড রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬ কী মখাদা লৈবে হায়না লাওথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা কাইনাগী লম একর ৭.২৩ পাক চাওবা ভিলেজ নং ৯১ কাইনাগা লম অসিগী পাট্টা হৌজিক পাঙম্বম শাগৈ সেবা কমিটি (রেজিষ্টর নং ৪৬৫ অফ ১৯৬৪) গী মিংদা লৈ। হৌজিক মফম অসি লাইনিংবা যাত্রিকশিংগী অশেংবা মফম অমা ওইরে। ভাবিযান চাং লান্দুনা কাইনা। ৎর্থসি পুক্নিং ওনবা খোঙচৎ অমানা মদাদি মসিদা মহৌশাগী ওইবা থজনবা দুশ কয়া উবগা লোয়ননা চাংগী নাপামদা কাঁহান হৌবগী শক্তম কয়া অমসু উবা ফংগানি।

মণিপুর সরকারনা লমকোইরবশিং যাম্না হেন্না লাকহনবগীদমক লৈফম চাফমগী খুদোংচাবা ফংহল্লবা টুরিষ্ট হোম অমসু মফম অসিদা শারে। থোইদোক হেন্দোক্না ধর্ম্মগী অশেংবা নুমিৎশিংদা ভক্তশিংনা মফম অসিদা উৎসব, হরি সঙ্কীর্ত্তন, রাসনচিংবা শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী চরন্দা কৎথদুনা খুরুমজবি। লম কোইবা অমদি ভক্তশিংবু নোল্লকপগা লোয়ননা মখোয়গী পেননবগীদমক পাঙম্বম শাগৈ শেবা কম্মিটিনা লৈজরি থাক্তা মতম কুইনদগী হোৎনদুনা লাক্লি।

অসিগুম্না শেংলবা মফম অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক মীয়াম্না পীবিককপা মতম যাম্লবা মতেং অমদি পাউতাক কয়া কম্মিটি অসিনা তবাম্না লৌশিনজগনি।

****

MANIPUR



General Information

Area 22327 Sq Kms

State Capital Imphal

Districts 9 (Imphal East, Imphal West, Thoubal, Bishnupur, Chandel, Churachandpur, Ukhrul, Senapati & Tamenglong)

Population 23,88,634 2001 (Census)

Altitude 790 mtrs above MSL (Imphal)

Climate Max temp 32 C Min Temp 00oC

Rainfall 1467.5 mm

DOCUMENTS

Annexure I

CERTIFICATE

OF

REGISTRATION OF SOCIETIES

(ACT XXI OF 1860)

NO 466 OF 1964

I hereby certify that [illegible] SEVA COMMITTEE

has this day been registered under the Societies Registration Act XXI

of 1860.

Given under my hand and Seal at Imphal this 7th

day of October One thousand Nine hundred and sixtyfour

Anno Domini.

Dated Imphal

the 7 th October 1964.


REGISTRAR OF SOCIETIES

MANIPUR

SEAL OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES MANIPUR

Annexure II

(88



GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER(IMPHAL):MANIPUR

O R D E R S
Imphal, the 15th July,1992.

No.DC(I)/8/12/Rev/80(Pt) : Whereas notification inviting objection claims of ownership by giving 30 days in respect of 13 Archaeological sites & Remains of Manipur Ancient & Historical Monuments has been made under Rule 7(2) of Manipur Ancient & Historical Monuments and Archaeological sites & Remains Rules, 1979. The undermentioned the persons have claimed ownership of the monuments and sites shown against each of them.

1. Shri P. Monori Singh, President, Pangambam Sagei Seva Committee, Keinou.	1) Sacred Jack Tree site, Keirao.
2. (a) Shri Hidam Gopal Singh, (b) " Hidam Subol Singh, (c) " Hidam Komol Singh, (d) " Hidam Modi Singh, (e) " Hidam Kulla Singh, (f) " Hidam Ibungoyaima Singh, (g) " Hidam Ibochouba Singh, (h) " Hidam Biramangol Singh & (i) " Hidam Tomba Singh All of Sekta Village.	2) Sekta Kei(Mound), Sekta
3. Shri. Y.Dhurma Singh, Khullakpa, Andro Village on behalf of People of Andro Village.	3) Sacred Fire Place of Andro, Andro.
4. Shri G.A.Bhubaneshwor Sharma, Secy. Shri Shri Madan Mohanji Seva Marup, Bhramapur Guruaribam Leikai.	4) Temple of Shri Krishna, Guru Aribam Leikai, Imphal
5. Shri Ibomcha Singh, Secy. Konthoujam Lairembi Chaoknat Thourang Marup.	5) Inscribed Stone monument Konthoujam.

Now, therefore, I, O. Nabakishore Singh, Deputy Commissioner Imphal in exercise of the powers confered upon me under Sub-Section 3 of Rule 7 of the Manipur Ancient & Historical Monuments and Archaeological Sites & Remains Rules, 1979 hereby order that the abovementioned persons(they) shall be treated as owners of the ancient monuments & sites shown against each of them.

P.T.O.....2/-

Further, the remaining 8 ancient monuments/sites namely:- 1) Kangla Porth, 30th AR, Imphal, 2) Temple of Leimapokpam Keirungba, MSRTC , Compound, 3) Temple of Thangal General Wangkhei 4) Temple of Sanamahi, 1st Bn. MR Compound, 5) Samadhi of Maharaj Khabag Dist. Judge Compound, 6) Samadhi of Maharaja Gambhir Singh, Langthabal, 7) A Manhir, State Musum Approach Road and 8) Inscribed Stone Monuments, 1st Bn. MR Compound shall have no owner under Rule 7 of the Manipur Ancient & Historical Monuments & Archaeological Sites & Remains, Rules, 1979.

Given under my hand and seal this day of 10 th of July 1992.

(O. Nabakishore Singh)
Deputy Commissioner, Imphal

....

Memo No.DC.I)/8/12/Rev/Rev/80(Pt) Imphal, the 10th July, 1992.

Copy to:-

1) The Commissioner(Revenue), Government of Manipur.
2) The Superintendent of Archaeology, Manipur.
3) The Sub-Divisional Officer/Imphal East-I, Sub-Divisional Officer/Imphal East-II, Sub-Divisional Officer/Imphal West-I, Sub-Divisional Officer/Imphal West-II.
4) Shri P. Mohori Singh, President, Pungambam Sagei Seva Committee, Keina.
5) Shri Hidam Gopal Singh & 8 others of Sekta.
6) Shri Y. Dharmo Singh, Khullakpa of Andro Village, Andro.
7) Shri G. A. Bhubaneshwor Sharma , Secretary, Shri Shri Madan Monhanji Seva Marup, Bramapur Guruaribam Leikai, Imphal.
8) Shri Ibomcha Singh, Secretary, Konthoujam Lairembi Chaokhat Thourang Marup, Konthoujam.

(O. Nabakishore Singh)
Deputy Commissioner, Imphal

....

......

(See R 16?)

JAMABANDI

About the Author



PANGAMBAM BHARAT SINGH, I.A.S.

Birth : Born on 1 March 1950 in Kongba Ucheckon Imphal He is the second son of Late Pangambam Nipamacha Singh and Pangambam Ongbi Ningthoujam Ningol Tezpati Devi

Education : Shri Bharat grew up as a brilliant student and stood first among the successful B A Honours candidates in Political Science (1970) in Manipur and first class second position in M A in Political Science (1972) under the Gauhati University He was awarded as the best student of Political Science Department Gauhati University for the year 1972

Service Career : He entered Government service as a Lecturer in Political Science in October 1973 at Maharaja Bodhchandra College Imphal but resigned as Lecturer in March 1975 on entering the Manipur Civil Service (MCS) He has been promoted to IAS (1985) Served in various capacities under the Government of Manipur including Assistant Commissioner to DC/Ukhrul S D O (Imphal East) Chief Executive Officer (District Council Churachandpur) Treasury Officer (Churachandpur) Under Secretary/Deputy Secretary/Additional Secretary/Special Secretary of various Administrative Deptts Director Rural Development and Panchayati Raj Deputy Commissioner (Chandel) Director Publicity & Tourism Director Settlement & Land Records Director Vigilance Director MAHUD Secretary/Commissioner Vety & A H DP & AR GAD PHED Education Revenue Health RD & PR IFCD IPR etc and at present he is the Commissioner Art & Culture and Special Secretary (Cabinet) Govt of Manipur

Awards : He has been awarded the SECULAR INDIA HARMONY AWARD 1995 by United Children s Movement New Delhi and conferred the Award by Shri Syed Sibte Razi Minister of State for Home Affairs Government of India on 04 12 1995 at the Conference Hall North Block New Delhi Many organisations have recommended for awards but he has turned down

Credits : Published books **"Kaina Laiphamgi Wari"** in 1994 (the book deals with the sacred place Kaina – a place of tourist interest and historical importance) **"Elections in Manipur"** (May 1997) and **"Kangla : The National Heritage of Manipur"** in 2008 (The book deals with the historical importance of the sacred place Kangla and its developments and also depicts the merits of the Concept Development Plan of Kangla undertaken by the Govt of Manipur) Contributed articles on various topics especially on Public Administration Development Peace and National Integration and the same had been published in different publications of the Government and other private organisations Shri Singh has been taking active part in social educational and cultural activities from his boyhood

Hobby : Reading writing social and cultural activities including seeing movies He is a friend to everybody